লাইরিক্ অসীগী উদ্দেশ্য

"মণিপুরী ব্যাকরণ অহানবা" কৌবা ক্লাস টুগী পাঠ্য-পুস্তক-কীদমক্ ইজরবা লাইরিক্ মচা অসীগী মরুওইবা উদ্দেশ্যদী :— [১] ময়েক্ খাইদোক্পা অমস্তুং তিন্‌শিন্‌বনচিংবা অরাৎপা পারা চাং নাইনা হাপ্‌চবা। [২] হৌজিক্কী চৎনরক্পা মতুংইন্না হীরম্ খুদীংমক্ হেক য়ারিবমথৈ প্রাক্‌টিকেল্ মেথড্‌তা পুথোক্তুনা ইজবা [৩] স্পেলিং কোমিটি ১৯৩৩গী বানান্‌গী নিয়ম কায়দনা ইজবা [৪] মণিপুরী লোল্ হায়রগা চীং-তম অনীমক্কী অপূন্‌বা ভাব অমা লৈবনা ব্যাকরণ অসীবু 'মৈতৈলোলগী ব্যাকরণ' হায়বগী মহুত্তা 'মণিপুরী ব্যাকরণ' হায়না থোনজবা। [৫] অঙাংশিংগী খুদোং চানবা পরীক্ষাগা মরী লৈনবা মতেক্ মতেক্ ওইবা রাহং কয়া হংজবা। [৬] নৌনা ময়েক্ চৎপা তম্‌খৎলক্লিবা অঙাংশিংগী খুৎলোয়বা হেন্নবা হসন্তনা চন্নগা ব্যঞ্জন ময়েক্ খুদীংমক্ মখাদা (্) অসী অমমম্ হাপ্‌চবা।

ইম্ফাল,

তাং ২১।৯।'৬১ ইং

শ্রীগোপাল সিংহ

মণিপুরী ব্যাকরণ অহান্‌বা

অহান্‌বা পারা

লোল্‌

১। মীওইবা খুদীংমক্কী মাগী মাগী মপূক্লিংদা অনীংবা অমমম্‌ লৈনৈ। অদুগুম্বা পুক্লিংগী অনীংবা অদু চীন্দা ফোংদোক্লদ্রবদী অমগা অমগা ভাব (বাখল্‌) লৌশন্নবা ঙমদে মতৌ অম্নুম্না মীওইবনা মপূক্লিংগী অনীংবা অদু ফোংদোক্লবগীদমক অরেপ্পা রাঙাং অমমম থম্মে। মবম অতুনা :—

মীওইবনা মপূক্লিংনা নীংলিবা অদু মচীন্দা ফোংদোক্লদুনা অরেপ্পা রাঙাং অমমম থম্মে। অদুগুম্বা অরেপ্পা রাঙাং (হায়বদী অর্থ লৈবা রা) অদুবু 'লোল্‌' হায়না কৌই। মদুদী, খুদম ওইনা :- মণিপুরী লোল, হিন্দী লোল্‌, ইংলিশ লোল্‌ অসীনচিংবা কয়া অসী মীওইবগী লোল্‌ ঙাক্তনি।

সংসার অসীদা লোল্‌গী মখল্‌ অসী যাম্না লৈখ্রে। শা, উচেক্‌-নচিংবা কয়া অসীগীসু মখোয় মশা মশাগী মরোল্‌ অমমম লৈনবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয় অদুবুদী ঐখোয়না লোল্‌নি হায়না ব্যাকরণদা কুপ্পা নৈনরুবগী থোইনা কান্নবা লৈতে।

অনীশুবা পারা

ব্যাকরণ

১। হৌজিক্তী ঐখোয়না লোল্ হায়বহু করিনো হাযবা মশক্ মুন্না খঙলে। হায়রিবা লোল্‌শিং অসাবু করম্না পাগনি, কবম্না ইগনি অমদী করম্বা মওংদা লৈরিবনো হায়বা অসীনচিংবা অবৃপ্পা হীরম্ ইবা লাইরিক্ অমমম্ লৈ। অতুগুম্বা ঃ—

লোল্ অমগী মওং মতৌ অমদী হীরম্ কুপ্পা নৈনরিবা লাইরিক্ অদুবু ব্যাকরণ কৌই।

৩। লোল্ খুদিংমক্তা ব্যাকরণ অমমম লৈনৈ। মণিপুরী লোলগী মরমদা ইবা ব্যাকরণবু "মণিপুরী ব্যাকরণ" কৌই। হিন্দী লোলগী মরমদা ইবা ব্যাকরণবু "হিন্দী ব্যাকরণ" কৌই। অদুগা ইংলিশ লোল্‌গী মরম্‌দা ইবা ব্যাকরণবু "ইংলিশ ব্যাকরণ কৌই।

চাংয়েং ব্রাহং পরেং ১

১। লোল্ কদায়বু কৌবগে? খুদম্ ওইনা লোল্ অনীদংগী মমিং হায়য়ু। [বৃঃ—১৯৫৮-৫৯]

২। 'ব্যাকরণ' হায়বসী করিনো হায়য়ু।

৩। "মণিপুরী ব্যাকরণ" হায়রগা করিবু খঙনগদগে? [প্রোঃ— ১৯৫৮-৫৯]

অহুম্‌শুবা পারা

ময়েক্

৪। লোল্ অমগী মগুদা লৈরিবা বাহৈ থুদিংমক অসা খুগাইবা যাদ্রবা পীর পাল্লবা শব্দক কয়ামকন্না পুন্‌শন্দুনা শেমই। খুদন্ (খঙ্‌নবা) কয়ামবন্না অদুগুম্বা শব্দকশিং অদুগী মচুৎশিংনি। অদুগুম্বা মচুৎশিংদনা শীজন্নরিবা খুদম্‌শি অদুবু "ময়েক্" হায়না কৌই। মখুদী:— 'পান্না' হায়বা বাহৈ অসী প, আ, ন্ন হায়বিবা শব্দক্ মবি অসীনা পুন্‌শন্দুনা ওইবনি। অদুনা প, আ, ন্ন ঈ হায়বা অসী ময়েক্ হাকুনি। মণিপুরী লোন্দা মক ওইনা ময়েক নীফুমনি (৫৫) শীজই। ময়েক ৪৪ অসী চাউবাদা শব্দক অনীখোরা হাংদোকই। ময়েক অদুনা:—

[১] স্বর অমসুং [২] ব্যঞ্জন অসনি।

৫। (১) স্বর ময়েক — হায়দোক্‌পা মতম্‌দা ময়েক্ অতৈ অমগী মতেং চঙ্‌দ্রবসু মশা মতোম্‌তা হেক্তা হায়দোক্‌পা য়াবা ময়েক্‌শিং অদুবু স্বর ময়েক্ হায়না কৌই।

স্বর ময়েক তরামাখোই (১১) শুই। মখোয় অদুদী:— অ আ ই ঈ উ ঊ ঋ এ ঐ ও ঔ অসীনি। *

* ৯, ঋ হায়বিবা ময়েক্ অনী অসগী য়াওনা স্বর ময়েক অসী ১৩নি হায়না লৌনৈ। অদুবু মণিপুরী লোন্দদী ময়েক্ অনী অসিগী শীজন্নফম লৈতবনা থোইদোক্না শীংখাকবগী কান্নদ্রে হায়না পন্দ্রবনি।

৬। স্বর মযেক্ [illegible] মুখ মখল অনী থক্না থায়দোকপা [illegible] মতুদী :—(ক) [illegible] (হ্রস্ব) স্বর অমসুং (খ) অশাংবা ([illegible]) স্বর অনীনি।

৭। [ক] অ ই উ ঋ [illegible] মবি অমা হায়দোকপা মতমদা [illegible] অমদী তেন্না হাংদে [illegible] হায়দুনা [illegible] অতেম্বা স্বর কৌই।

৮। [খ] আ ঈ ঊ এ ঐ ও ঔ [illegible] অসানা [illegible] কপা মতমদা [illegible] অমম [illegible] স্বাক লোতুনা [illegible] হায়দুনা [illegible] অশা বা [illegible] অকুম্বা স্বর কৌই।

[illegible] হায়[illegible] [illegible] [illegible] হায়দক [illegible] অ গী [illegible] [উচ্চারণ] [illegible] অসংখ্য, স্বর অমগী [illegible] চঙ্দনদি মশা [illegible] থোক্লোক্, থোকচবা ঙম্দবা [illegible] অমুবু ব্যঞ্জন্ মতৌ [illegible] হায়বা কৌই। ব্যঞ্জন মযেক্ [illegible] শুই, [illegible]

ক খ [illegible] ঘ ঙ,

চ ছ জ ঝ ঞ,

ট ঠ ড ঢ ণ

ত থ দ ধ ন,

প ফ ব ভ ম,

য র ল ব,

শ ষ স হ।

ব্যঞ্জন ময়েক্শিং অসী স্বর ময়েককী মতেং য়াওদবদি মশা মতোম্তা খোন্থোক থোকচবা ঙম্দে। মবম অতুনা ব্যঞ্জন ময়েক খুদিংমক নাইতেংনা নৈনবদা (হায়বদা নৈতপকুম্বা ওয়াহন্দবা) খোক্লবদী হায়দোকপ মতানা 'অ' গী খোন্থোক [উচ্চারণ] অমমম্ চংই। হায়রিবা অকাবা খোন্থোক অদু য়াওদবদী শেনা হায়দোকপা য়াদে। মতম অতুনদী ব্যঞ্জন ময়েক খুদম্মক্ ইবা মতমদা মখাদা হসন্ত [ ] গী খুদম অসি অমমম্ চিংনগদবনি। হায়বদী ক খ গ অসুম্না ইবগী মহুতা ক্ খ্ গ অসুম্না ইগনি। অদুগা ঙ ঢ় য় ং ঃ ँ ৎ হায়বা ময়েক্। অসিমুদ ব্যাকরণদা অতোপ্পা ব্যঞ্জন ময়েক্ অমা ওইনা লৌগনি। মসিগী হায়রবা ময়েক ড় ঢ় য় ৎ মসি অসি মতোংলৌনা ড ঢ য ত হায়রিবা ময়েক্ মখা অসিদগী ওন্থোকপনি। অনুস্ ং (অনুস্বার) হায়িনা 'ন' অমসুং 'ম' হায়রিবা ময়েক অসি অসীনা পুনশিল্লগা থোকপা খোন্থোক্ অমনি। ঃ (বিসর্গ) অসিনা 'হ' 'স' অনীগী অপুনবা খোন্থোক্নি। ँ (চন্দ্রবিন্দু) অসিনা ইরেপ্পা থোক্পা খোন্থোক্ অমনি। ময়েক্ অসী ঙ অমসুং ন গী উচ্চারণ হায়রক্পা ঃ ওনা নাতেন্না ওন্দপ্ তৌনা হায়দোকই।

১০। ক-দগী ম-ফাওবা ব্যঞ্জন ময়েক্ ২৫ অসীবু কাঙ-লূপ্ কী মতুংচনবা ময়েক্ হায়না খঙনৈ। মখোয় অসী ময়েক্ মঙা মঙানা কাঙলূপ্ অমমম্ শাই অমসুং কাঙলূপ খুদিংমক্ অহৌ অহৌবা ময়েকী মতুংইন্না মমিং থোল্লি।

মতুদী:—ক খ গ ঘ ঙ - ময়েক্ মঙা অসী ক-গী কাঙলূপ্নি।

চ ছ জ ঝ ঞ - ময়েক্ মঙা অসী চ-গী কাঙলূপ্নি।

ট ঠ ড ঢ ণ—ময়েক্‌ মঙা অসী ট-গী কাঙ্‌লুপ্‌ নি।
ত থ দ ধ ন—ময়েক্‌ মঙা অসী ত-গী কাঙ্‌লুপ্‌নি।
প ফ ব ভ ম—ময়েক্‌ মঙা অসী প-গী কাঙ্‌লুপ্‌নি।

অদুগা, ট ঠ ড ঢ ণ হায়বা ময়েক্‌ মঙা অসিদী মীতৈলোল্‌গী বানাল্‌ ইবা মতম্‌দদী কয়া শীজিন্নদ্রে। মীরোল্‌গী য়াহৈগী বানাল্‌ ইবা মতম্‌দদী মশাগী চৎনবী মতাং য়েংদুনা অদুম্‌ শীজিন্নৈ। মখুদী ঃ— 'ব্যাকরণ', 'ঢোল্‌', হায়বা য়াহৈ অনীসিগী বানান্দা 'ব্যাকরন', 'ধোল্‌' অসুম্না ইবদী চৎনদ্রে।

১১। কাঙ্‌লুপ্‌ খুদিংগী অহান্‌বা ময়েকা, অহুম্‌শুবা ময়েকা মঙাশুবা ময়েকা ময়েক্‌ অহুম্‌ অসীদী হায়দোক্‌পা মতম্‌দা য়াংনা অমদী মেঙ্‌না হায়দোক্‌ই হায়দুনা মখোয়বু মথরায় শোন্‌বা ময়েক্‌ কৌই। অদুগা কাঙ্‌লুপ্‌ খুদিংগী অহান্‌বা, অহুম্‌শুবা অমসুং মঙাশুবা ময়েক্‌ লৌথোক্‌লগা লেম্‌হৌবা অনীশুবা অমসুং মরিশুবা ময়েক্‌ অনী অসীনা হায়দোক্‌পা মতম্‌দা কন্না অমদী লূম্না হায়দোক্‌ই হায়দুনা মখোয়বু মথরায় কন্‌বা ময়েক্‌ কৌই। মখুদী ঃ—ক খ গ ঘ ঙ হায়বা ময়েক্‌ মঙা অসীগী মনুংদা ক, গ, ঙ হায়বা ময়েক্‌ অহুম্‌ অসী মথরায় শোন্‌বা ময়েক্‌নি। অদুগা খ, ঘ হায়বা ময়েক্‌ অনী অসীনা মথরায় কন্‌বা ময়েক্‌নি।

অমুক্‌ হেন্না ভাব তানবা মখাগী মওং অসী মুম্না য়েংউ ঃ—
কাঙ্‌লুপ্‌ খুদিংগী ১নবা, ৩শুবা, ৫শুবা পরেংসি মথরায় শোন্‌বা ময়েক্‌নি।

কাঙ্‌লুপ্‌ খুদিংগী ২শুবা, ৪শুবা পরেংসি মথরায় কন্‌বা ময়েক্‌নি।

ক খ গ ঘ ঙ	ক চ ট ত প গ জ ড দ ব,
চ ছ জ ঝ ঞ	ঙ ঞ ণ ন ম ময়েক্ তরামঙা অসী
ট ঠ ড ঢ ণ	মথরায় শোন্‌বা ময়েক্ ঙাকনি।
ত থ দ ধ ন	খ ছ ঠ থ ফ, ঘ ঝ ঢ ধ ভ ময়েক্ তরা
প ফ ব ভ ম	অসীনা মথরায় কন্‌বা ময়েক্ ঙাকনি।

চাংয়েং রাহং পরেং ২

১। ময়েক্ কদায়বু কৌবগে? খুদম্ পীত্তনা তাক্উ।

২। [ক] করম্বা ময়েক্পু স্বর ময়েক্ হায়না কৌবগে? [প্রোঃ ৫৭-৫৮; ৫৯-৬০; ৬১-৬২। বুঃ ৫৫-৫৬; ৫৭-৫৮; ৫৯-৬০] মণিপুরীদা শীজন্নরিবা স্বর ময়েক্শিংহু শুনা ইথোক্উ।

[খ] ব্যঞ্জন ময়েক্ কদায়বু কৌবগে? ব্যঞ্জন ময়েক্কী মশক্ করম্বা শুবগে? ময়েক্শিংহু ইয়ু। [প্রোঃ '৫৭-৫৮; ৫৮-৫৯; ৫৯-৬০; ৬১-৬২। বুঃ ৫৫-৫৬; ৫৭-৫৮; ৫৮-৫৯; ৫৯-৬০]

৩। অতেন্‌বা স্বর ময়েক্ কদায়বু কৌবগে হায়য়ু, অদুদগী অশাংবা স্বর ময়েক্শিংহু অমুক্ হায়য়ু।

৪। মথরায় শোন্‌বা ময়েক্কা করি করিনো, [প্রোঃ'৬১-৬২], অদুগা মথরায় কন্‌বা ময়েক্কা করি করিনো?

৫। মথাগী রাহংশিংদগী অচুম্বা মথৈ খন্দোক্উ, অদুগা অরান্‌বনা চুম্‌থোক্উ ঃ—

[ক] ড় ঢ় য় ৎ হায়বা ময়েক্ মরি অসী মথংশীংনা ড ঢ য ত দগী ওল্লকপা ময়েক্ নত্তে।

[খ] ক-দগী ম-কাওবা ময়েক্ ২৫ অসীবু কাঙ্‌লুপ্‌কী মমুং চন্‌বা ময়েক্ কৌই।

(গ) ট ঠ ড ঢ ণ ময়েক্ মশা অসী মীতৈলোন্দা য়াম্না তোয়না শীজন্নবা ময়েক্ ওাক্তনি।

মরিশুবা পারা

ময়েক্কী খোঙ্হোক্

১২। মথক্কী পারাদা ঐখোয়না ময়েক্কী মরম্দা নৈনখ্রে। হায়রিবা ময়েক্শিং অসী ঐখোয়না হায়দোক্পা মতম্দা ঐখোয়গী চীন্ অসিদগী তোঙান্ তোঙান্বা মফম্দগী খোঙ্হোক্ লাক্ই। খোঙ্হোক্ খেন্নবগী মতুংইন্না ময়েক্শিং অসী অমুক্ কাঙ্লুপ্ কয়ামরুম্ খোক্না খায়দোক্লে।

(ক) অ, আ, হ অমসুং ক-গী কাঙ্লুপ্ অসী খায়দোক্পা মতম্দা খৌরিদগী খোঙ্হোক্ লাক্ই। মরম্ অদুনা মখোয় অসী খৌরিদগী খোক্পা ময়েক্ হায়না খঙ্নৈ।

(খ) ই, ঈ, য, শ অমসুং চ-গী কাঙ্লুপ্ অসী তৌদগী খোঙ্হোক্ লাক্পা মরম্না মখোয়বু তৌদগী খোক্পা ময়েক্ হায়না খঙ্নৈ।

(গ) এ, ঐ হায়বা ময়েক্ অনী অসীনা খৌরি অমসুং তৌগী শরাক্তগী খোঙ্হোক্ লাক্ই। মরম্ অদুনা মখোয়বু খৌরি অমসুং তৌদগী খোক্পা ময়েক্ হায়না খঙ্নৈ।

(ঘ) ঋ, র, ষ অমসুং ট-গী কাঙ্লুপ্ অসী কোক্তগী খোঙ্হোক্ লাক্ই। মরম্ অদুনা মখোয়সী কোক্তগী খোক্পা ময়েক্ হায়না খঙ্নৈ।

(ঙ) ও, ঐ ময়েক্ অসী অসীনা খোরী অমসুং চীন্‌বান্দগী খোম্নোক্ লাক্‌পা ময়েক্‌নি। মরম্‌না মখোয়বু খৌরি অমসুং চীন্‌বান্দগী খোক্‌পা ময়েক্ হায়না খঙৈ।

(চ) ৯, ল, স অমসুং ঙ-গী কাঙ্‌লুপ্ অসী য়াদগী য়োক্‌পা ময়েক্‌নি।

(ছ) ঙ, ঞ, ণ, ন, ম, ং, ঁ ময়েক্ তরেৎ অসী হায়দোক্‌পা মতম্‌দা নাতোন্‌গী মতেং চঙই। মরমগী মখোয়বু নাতোন্দগী খোক্‌পা ময়েক্ হায়না খঙৈ।

(জ) উ, ঊ, র অমসুং প-গী কাঙ্‌লুপ্ অসী চীন্‌বান্দগী খোম্নোক্ লাকই। মরম্‌না মখোয়বু চীন্‌বান্দগী খোক্‌পা ময়েক্ হায়না খঙৈ।

চাংয়েং য়াহং পরেং ৩

১। করম্ করম্বা ময়েক্‌শিংনো হায়য় :—

(ক) খৌরিদগী খোক্‌পা। [বৃঃ '৫৭-৫৮]

(খ) খৌরি অমসুং চীন্‌বান্দগী খোক্‌পা।

(গ) ঙৌদগী খোক্‌পা। [বৃঃ '৫৫-৫৬]

(ঘ) য়াদগী খোক্‌পা। [বৃঃ '৫৫-৫৬ ; প্রোঃ ,৫৭-৫৮]

(ঙ) চীন্‌বান্দগী খোক্‌পা। [প্রোঃ '৫৭-৫৮]

(চ) নাতোন্দগী খোক্‌পা।

(ছ) কোক্তগী খোক্‌পা। [বৃঃ '৫৭-৫৮]

(জ) খৌরি অমসুং ঙৌদগী খোক্‌পা।

২। ময়েক্‌শিং অসীগী খোম্নোক্ হায়য় :—

অ, ঔ, ন, ক, দ, ঞ, ক, স, শ, এ, উ, ই, ঢ, ঠ, হ, র, ঙ, ং, ঘ।

মঙাশুবা পারা

চৈতপ্‌ অমস্যুং তপ্পবা ময়েক্‌

১৩। [ক] কিবা = ক্‌ + ি + ব্‌ + া = ক্‌ + ই + ব্‌ + আ

মথক্কী খুদম্‌ অসী য়েংউ! "কিবা" হায়বা য়াহৈ অসী ক্‌, ি, ব্‌ অমস্যুং া হায়বদী ক্‌, ই, ব্‌, আ হায়রিবা ময়েক্‌ মরি অসীনা পুন্‌শিল্লগা ওইবনি। মসিদা য়াওরিবা 'ই' অমস্যুং 'আ' গী শরুক্‌ অসী মওং ইহোং হোংদনা হেক্তা য়াহৈ অসিদা তপ্পা য়াদে। মরম্‌ অদুনা 'ই' না 'ি' অদুগা 'আ' না 'া' ওন্থোক্লগা মথংশীংদনা ক-দা 'ি' অমস্যুং ব-দা 'া' তপ্লুনা 'কিবা' হায়বা য়াহৈ অসী থাক্লিবনি। মরম্‌ অদুনা :—

স্বর ময়েক্তা ব্যঞ্জন ময়েক্তা তপ্পবা মতম্‌দা তপ্লরিবা স্বর ময়েক্‌ অদু মশক্‌ ওন্থোক্‌ই। মতৌ অসুম্না ওন্থোক্লিবা স্বর ময়েক্কী মশক্‌ অদুবু চৈতপ্‌ হায়না কৌই।

মণিপুরী লোন্দা চৎনরিবা স্বর ময়েক্‌শিংগী চৈতপ্‌কী মওংদী মথাদা ইরিবা অসীনি :—

অ = (থোইদোক্‌পা মওং লৈতে)

আ = া (আকার)	ঋ = ৃ (ঋকার, ঋফলা)
ই = ি (ইকার)	এ = ে (একার)
ঈ = ী (ঈকার)	ঐ = ৈ (ঐকার)
উ = ু (উকার)	ও = ো (ওকার)
ঊ = ূ (ঊকার)	ঔ = ৌ (ঔকার)

য়েংগদবা :— 'অ' না করিগুম্বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অমদা তপ্পবদী পূম্নগী ব্যঞ্জন ময়েক্কী মথাদা চিংলম্বা হসন্ত (্) গী থূদম্ অহূদমক্ মাঙখিগনি। মহূদী :—ক্+অ=ক। প্+অ=প অসীনচিংবা।

১৪। [খ] ক+ন+ক্ন। ঙ+গ+র=ঙ্গ্র। পীরিবা থূদম্ অনী অসী অমুক্ য়েংলসী। অহানবগী অসীদা 'ক' হায়বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অসিদা 'ন' হায়বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অমা অমুক্ হাপচন্দুনা 'ক্ন' অসী ওইরে। অতুগা, অনীশুবগী অসিদনা 'ঙ' হায়বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অসিদা 'গ' অমসুং 'র' হায়বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অনী অসী হাপচন্দুনা হৌজিক্ 'ঙ্গ্র' হায়বা অসী ওইরে। অতুনা হৌজিক্কী নখোয়না উরে মতূদী ব্যঞ্জন ময়েক্ অমদা অতোপ্পা ব্যঞ্জন ময়েক্ অমা নত্ৰগা অমদগী হেন্না তপ্শনবা য়াই। মরম্ অতুনা :—

ব্যঞ্জন ময়েক্ অমদা অতোপ্পা ব্যঞ্জন ময়েক্ অমা নত্রগা অমদগী হেন্না তপ্পরবদী তপ্পরিবা ময়েক্শিং অতুবু তপ্পবা ময়েক্ কৌই।

তপ্পবা ময়েক্ অসী মথল্ মথা য়াম্ই। থূদম্ ওইনা মথাগী থরসী য়েংউ :—

ক-নচিংবা ময়েক্কা য গা তপ্পরবদী :—ক্য খ্য গ্য ন্য ম্য শ্য অসীনচিংবা ওই।

ক-নচিংবা ময়েক্কা র গা তপ্পরবদী :— ক্র খ্র প্র ব্র ঙ্র শ্র হ্র অসীনচিংবা ওই।

ক-নচিংবা ময়েক্কা ল গা তপ্পরবদী :— ক্ল খ্ল ব্ল ম্ল স্ল অসীনচিংবা ওই।

ক-নচিংবা ময়েক্কা ব, ন, ম, রেফ-ফলানচিংবা ময়েক্কা তপ্নরবদী :—ক্ব খ্ব ত্ন ম্ন ম্ন ক্ম পৃ র্ক র্ব র্শ অসীনচিংবা ওই।

ময়েক্ কনী নত্রগা অহুম্ তপ্নরবা খরা :—দগ ষ্ট স্প জ্ব র্জ স্ত্র র্দ্ধ ন্ধ্য ত্র ক্ত অসীনচিংবা।

চাংয়েং য়াহং পরেং ৪

১। চৈতপ্‌ কদায়বু কৌবগে ? খূদম্ পীদুনা তাকউ।
[বৃঃ ১৯৫৫-৫৬ ; '৫৯-৬০ ; প্রোঃ '৬১-৬২]

২। 'ক' হায়বা ব্যঞ্জন ময়েক্ অসিদা স্বর ময়েক্ নীপাল্‌দং মশক্ হোংদোক্‌নুনা (চৈতপ্‌ ওন্দুনা) তপ্পু। [প্রোঃ ১৯৫৮-৫৯]

৩। তপ্নবা ময়েক্ কদায়বু কৌবগে ? খূদম্ খরা পীয়ু।
[প্রোঃ—১৯৫৮-৫৯]

তরুকুশুবা পারা

লাইরিক্ ইবদা শীজন্নবা খূদম্ (চিহ্ন) শিং

১৫। লাইরিক্ ইবা মতম্‌দা খূদম্ কয়ামরুম্ শীজন্নবা মরম্মা ছাত্র-ছাত্রীশিংনা মথাগী খূদম্‌শিংসী মশক্ মুন্না খঙ্‌জন্‌নকম্ থোকৈ :—

, (কোমা)— অসীনা লৈবা মকম্দা ঙাহাক্তং হায়বদী 'অমা' হায়বদা চঙ্বা মতম্ অতুক্ কুইনা লেপ্কনি। মিং খঙ্নবা (নাউন্) রাহৈ ময়াম্ মথং মথং ইরকপদসু খূদম্ অসী শীজইয়ে মতুদী ঃ— [প্রোঃ '৫৭-৫৮]

তোম্বা, তোম্বী, চাউবা অমসুং ঐ।

; (সেমিকোলন্)—অসীনা লৈরবদা কোমাদগী খরা হেন্না কুইনা লেপ্কনি। মতুদী ঃ—ঐগী নঙ্গা খংনরে ; অতুবু অমুক্ চামরে। [প্রোঃ ১৯৫৭-৫৮]

। (চৈথৈ)—অসীনা লৈরবদা রাঙাং অমা মপুং ফারে হায়না খঙ্নগনি। মতম্ অতুদদী মপুং ফানা পোথাগনি। মপুং ফাবা রাহৈ পরেং খূদিংগী মতুংদা খূদম্ অসী অমমম্ হাপ্পা চীথরোইদবনি। মতুদী ঃ— ঐ ঙরাং কৈথেন্ কান্নই। [প্রোঃ ১৯৬১-৬২]

? (অহংবা খূদম্)— অসীনা লৈরবদা করিগুম্বা রা অমা হংলে হায়না খঙ্নগনি। অহংবা রাঙাঙদা খূদম্ অসী থমগনি। মতুদী ঃ— নঙ কদায়দা চৎলিবনো ? [প্রোঃ ১৯৬১-৬১]

! !! (অরাবা, অঙকপা, কৌবনচিংবা খঙ্নবা খূদম্)— হিঃ! মহাক্ শিরেদনা ! ও চাওভন্ ! থুনা লাউ !! সাবস ! মেম্মগী বাসোক্ পেল্লে !!

' ' " " (কুওটেশন্)—কনাগুম্বনা হায়খিবা রাহৈ চপ্ চানা ইথোকপা মতম্দা খূদম্ অসীনা কোৎশন্নে। অতুগা লাইরিক্ অসুম্ ইরকপা মতম্দা করিগুম্বা মরুওইবা রা রাওরবসু মসীনা কোৎশন্নে। মতুদী ঃ—শ্রীরাম্না হায়খি, "ঐনা রাবণবু হাৎকনি।" মিং খঙ্নবা রাহৈবু 'নাউন্' কৌই। অসীনচিংবা।

:— (কোলোন্ ড্যাস)—রা অমা হায়বা হৌরুরগা লোইদ-হুনা মথা তারকদবা লৈরবদী খুদম্ অসী চিংথোক্নৈ। মতুদী :— ঐনা হায়রিবা অসীনি :—মরু ওইনা ঐথোয়না হায়বা ইন্গদবনি। অতুগা করিগুম্বা মতম্দা ড্যাস (–) অসীদসু শীজন্নৈ।

– (হায়ফেন্)—রাহৈ অমা ইবা হৌরুরগা চম্রহুনা রাহৈ মচেৎতু মথাদা ইরকদবা লৈরবদী হায়ফেন্সী চিংথোক্নৈ। মতুদী :— ঐনা চাউ-

বাবু য়াম্না নুংশি।

অতুগা তোঙান্বা রাহৈ অনী নক্শন্না ইবা তারবসু মসীনা ময়ায়দা থন্গনি। মতুদী :—মহাক্কী ফিজেৎ-চাক্চা লূদে।

( ) { } [ ] (চৈথল্)—লাইরিক্ অম্বুম্ ইরক্পা মতম্দা করিগুম্বা মরু ওইফাওবা রা অমা থেৎপা মতম্দা খুদম্ অসীনা কোৎশন্নৈ। মতুদী :—ঐগী জীবনদী (পুন্সীদী) অরাবনি। মিং খঙনবা রাহৈবু নাউন্ [সংজ্ঞা] কৌনৈ।

+ (তিন্শিন্বা)— করিগুম্বা অমা পুন্শনবা তাক্পা মতম্দা খুদম্ অসীনা শীজন্নৈ। মতুদী :—

৫ + ৭ + ২। ক্ + অ + ব্ + ও।

= (মান্নবা)—মান্নৈ হায়না তাক্পা মতম্গা খুদম্ অসী শীজন্নৈ। মতুদী :—

৫ + ২ = ৭। লূপা ৪ = অনা ৬৪। ম্ + ঔ = মৌ।

চাংয়েং রাহং পরেং ৫

মথাগী রারী মতেক্সী পন্নেপ্ফম্ চানা চুম্না পাউ, অতুগা পীরিবা খুদম্শিংসীনা করি করি মমিং কৌবগে হায়য়ু :—

১। সীতাগী অরাববু কন্নবগীদমক্ শ্রীরাম্চন্দ্রনা লঙ্কাদা (রাবণগী লৈবাক্তা) মনাই হনুমানবু থাখি। হনুমাননা মখুত্তা গদা অচৌবা অমা পায়দুনা লঙ্কা তাম্না পাইরক্খি। হনুমাননা মমা সীতাগী মনাক্তা চৎলগা ভক্তি তৌজখি ; সীতাদেবীনা মচাবু মশক্ খঙ্জখি অমসুং মথাদা চেংনা কোন্শঞ্জখি। অরাবনি ! লঙ্কা লৈবাক্ !! হনুমাননা লঙ্কাদা রাবণগী কোম্সুং পূম্নমক্, য়ুম্ থিবিক্মক্, লৈরম্বা পোৎ পূম্নমক্ মৈ থাগ্রে ! সীতাদেবীনা মচাবু য়েংলগা হায়রক্ই—"ইমাগী ইবুংঙো ! ইচাগী নমৈদা চাক্লিবা থাম্বী মৈবু ইমা মুথৎকে লাউনে !"

২। চানবা খুদম্ হাপ্উ :—সুংশি হৈতবা হিংচাবা অম্হুনা নিপা অম্হু ফারে হিংচাবনা শাউনা হায়রক্ই অপঙ্বা নিপা কিগম্মু নঙ্ ঐবু খঙ্গ্রা। [বূঃ '৫৫-৫৬]

তরেৎশুবা পারা

ময়েক্ খাইদোক্পা

১৬। হায়বা = হ্ + আ + য়্ + ব্ + আ

নম্বা = ন্ + অ + ম্ + ব্ + আ

মথক্কী খুদম্ অসিদগী ঐখোয়না উরে মহুদী 'হায়বা' হায়বা রাহৈ অসী ঐখোয়না হ্—আ—য়্—ব্—আ অসুম্না মচা মচ (ময়েক্) থোক্না খায়দোক্পা য়াই। অহুগা 'নম্বা' হায়বা রাহৈ অসীবুনা ন্—অ—ম্—ব্—আ অসুম্না ময়েক্ কয়ামরুম্ থোক্না খায়দোক্পা য়াই। মরম্ অসিদগী ঐখোয়না উরে মহুদী রাহৈ থূদিংমক্ অসী তোঙান্ তোঙান্বা ময়েক্ কয়ামরুম্ থোক্না খাই-দোক্পা নত্রগা খায়দোক্পা য়াই। মতৌ অসুম্না :—

রাৈহ অমগী মতুংদা য়াওরিবা ময়েক্শিংস্থু তোঙান্‌ তোঙান্না খাইদোক্‌না উংপবু ময়েক্ খাইদোক্পা কৌই।

১৭। নিয়ম্ :—

ময়েক্ খাইদোক্পা মতম্‌দা হসন্ত তাদবা ব্যঞ্জন ময়েকীদা 'অ' অমমম্ চোংথোরক্‌দবনি। মরম্‌দী ব্যঞ্জন ময়েক্ খুদিংমা 'অ' অমমম্ চঙ্‌ই হায়থে। অদুগা ইথোরবা (ময়েক্ খাইদোরবা) ব্যঞ্জন ময়েক্‌শিং অদুবুনা মথাদা খুদম্ (্) অসী অমমম্ চিংলগা কাউরোইদবনি। অদুগা মশানা হায়া হসন্ত তাবা ব্যঞ্জন ময়েক্ ওইরম্লবদী 'অ' চঙ্‌দ্রে হায়না খঙ্‌নগনি; মতমদুদদী 'অ' অম অমুক্ চোংথোক্ হল্লরোই। শন্না হায়রবদা নথোয়না কাউরোই-দবদী ময়েক্ খাইদোক্পা মতম্‌দা ব্যঞ্জন ময়েক্ খুদিংমক্ মথাদা হসন্ত অমমম্ চিংলম্‌গনি। অদুগা স্বর ময়েক্ ওইরবদী হসন্ত (্) সু চিংলোই; 'অ' অমত্তু চোংথোকহল্লোই।

খুদম্ :—

মঙক্ = ম্ + অ + ঙ্ + অ + ক্।

উকক্ = উ + ক্ + অ + ক্।

১৮। ময়েক্ খাইদোক্পা মতম্‌দা চৈতপ্ মথৈদী হায়গী অশেংবা ময়েক্ অদুদা অমুক্ ওহোক্‌নি। হায়রবদী া-না আ-দা, ে-না এ-দা, ু-না উ-দা; অসীনচিংবা।

মথাদা খুদম্ খরা অমুক্ পীরে :—

চাউবী = চ্ + আ + উ + ব্ + ঈ [প্রোঃ ১৯৫৯-৬০]

উরোক্ = উ + র্ + ও + ক্। পৈবা = প্ + ঐ + ব্ + আ।

মোইরাং = ম্ + ও + ই + র্ + আ + ং। [প্রোঃ ১৯৫৯-৬০]

১৯। ব্যঞ্জন ময়েক্ অমদা স্বর ময়েক্ অনী তুনা চঙ্বা য়াদে। মরম্ অদুনা ব্যঞ্জন অমদা চৈতপ্ অমা তপ্লম্লবদী, হায়রিবা ব্যঞ্জন ময়েক্ অদুদগী 'অ' অমা অমুক্ থোক্লক্লরোই। মদুগী খুদম্ থরা মথাদা পীরিবসী য়েংউ :—

চাবা—চ্+আ+ব্+আ। অদুগা, চ+অ+আ+ব্+অ +আ অসুম্না তৌবদী লাপ্লি। মরম্দী আ-না ওন্বা 'া' হায়বা চৈতপ্সী তপ্না তপ্না 'অ' অমুক্ চঙ্বা য়াদে।

২০। অদুগা, ছাত্রশিংনা কাউরোইদবা অমনা ং ঃ ँ ৎ হায়বা ময়েক্ মরি অসিনা ময়েক্ খাইদোক্পা করিগুম্বা য়াওরম্বা থোক্লবদী মথোয়গী মশাদগী অ-সু চোংথোরক্লোই ; অদুগা মথাদা (্) সু চিংলোই। মরম্দী মথোয় অসে মহৌশানা হসন্ত তাদুনা লৈরবা ময়েক্নি। মরমদুনা মথোয়না হোবা রাহৈ লৈতে, অদুগা মথোয়গী মথক্তা চৈতপ্ তপ্লসু য়াদে। মদুগী খুদম্ থরদী মথদা পীরে :—

পাবুং—প্+আ+ব্+উ+ং [প্রোঃ '৫৯-৬০]

পৎপা—প্+অ+ৎ+প্+আ

চাঁদী=চ্+আ+ँ+দ্+ঈ

হিঃ—হ্+ই+ঃ অসীনচিংবা।

২১। অদুগা ৎ দী ত্ ওন্বসু য়াই। মদুদী :—

পৎপা—প্+অ+ত্+প্+আ

২২। তপ্না ময়েক্শিংগীদী হসন্ত তাম্লবসু তাত্রবস্ত্র ইকোন্ কোন্বা তপ্লবা ময়েক্ অদুদা স্বর ময়েক্কী 'অ' হায়বা অসী চঙ্হন্গনি। মদুগী খুদম্ থরা অমুক্ পীয়ে :—

মক্ত্রবা — ম্ + অ + ক্ + ত্ + র্ + অ + ব্ + আ।

কোক্লোই — ক্ + ও + ক্ + ল্ + ও + ই।

লাম্লম্লবদী — ল্ + আ + ম্ + ল্ + অ + ম্ + ল্ + অ + ব্ + অ + দ্ + ঈ।

য়েংগদবা :—য়াইহেগী অহোবা ব্যঞ্জন ময়েক্ অন্থু করিগুম্বা চৈতপ্ অমতা তপ্লম্‌দ্রবদী মতম্ পূম্নমক্তা 'অ' অমমম্ শোয়দনা ময়েক্ খাইদোক্‌পা মতম্‌দা থোক্লকদবনি ; মরম্‌দী অহোবা ময়েক্তী চৈতপ্ য়াওদ্রবদী হসন্ত তাদে।

২৩। যৌজিক্ মথাগী খুদম্ কয়াসী থরায় য়াওনা য়েংশিল্লো :-

(ক) লাইরেম্বী — ল্ + আ + ই + র্ + এ + ম্ + ব্ + ঈ।

(খ) য়াইরিপোক্ — য়্ + আ + ই + র্ + ই + প্ + ও + ক্।

[প্রোঃ ১৯৫৯-৬০]

(গ) তোম্বা — ত্ + ও + ম্ + ব্ + আ। [প্রোঃ ১৯৫৯-৬০]

(ঘ) চেংক্রুক্ = চ্ + এ + ং + ক্ + র্ + উ + ক্।

(ঙ) পূম্নমক্তা — প্ + উ + ম্ + ন্ + অ + ম্ + অ + ক্ + ত্ + আ।

(চ) চন্নৈনরম্লগদবনি = চ্ + অ + ন্ + ন্ + ঐ + ন্ + অ + র্ + অ + ম্ + ল্ + অ + গ্ + অ + দ্ + অ + ব্ + অ + ন্ + ই।

(ছ) কংলুচো — ক্ + অ + ং + ল্ + উ + চ্ + ও।

চাংয়েং য়াহং পরেং ৬

ময়েক্ খাইদোক্‌উ :—

(ক) সত্যবতী, শুক্ষংথ্রে, কাংক্রম্, চন্দ্রকীর্ত্তি। [প্রোঃ '৫৭-৫৮]

(খ) অর্থ, কহ্লাই, তঙ্খাল্লি, চন্দ্র। [বৃঃ ১৯৫৫-৫৬]

(গ) অতোপ্পা, মরক্তগী, চথোক্পা। [প্রো: '৫৮-৫৯]

(ঘ) পূম্নমক্, হসন্ত, থোল্লিবা। [বৃঃ '৫৮-৫৯]

(ঙ) ফুন্দ্রে, কথোক্পা, সংস্কৃত, লাম্হোং। [বৃঃ '৫৭-৫৮]

(চ) মৈতৈলোন্, ক্যাম্দৈ, তেঙ্গোৎ। [প্রোঃ ৬১-৬২]

(জ) পরীক্ষা, মহাত্মা, তিম্হ্রোক্, সন্ন্যাসী। [বৃ: '৫৯-৬০]

নিপাল্শুবা পারা

রাহৈ শাজিন্বা [ময়েক্ তিন্শিন্বা]

২৪। (১) রাহৈ শাজিন্বা মতম্দা পীরম্লিবা ময়েক্শিংডু হেক্ পূন্শন্বা য়াবা মথৈ পূন্শন্গনি। অদুগা মদুদা থোক্লক্লিবা রাহৈ অদুনা নখোয়না পাম্লিবা শাজিল্লিবা রাহৈ অদুনি। অহোবা নত্তনা মরক্তা য়াওবা 'অ' মথৈদী হেক্তা মাঙখিগনি ; মতম্ অদুদা মাগী (অ গী) মমাঙগী ব্যঞ্জন ময়েক্কী মখাদা চিংলম্বা (়) অদু মাঙখিগনি। অদুগা য়াওরম্লিবা স্বর ময়েক্ মথৈ অদুনা চৈঙপ ওন্বা য়াব্রা য়েংগনি। নাতৈ চাদ্রগা হাম্নগী মওংডু অদুম্ কায়দনা থমগনি।

হৌজিক্ নখোয়গী নমাঙদা খূদম্ খরা পুথোক্লি :—

(ক) ম্ + আ + ই + র্ + এ + ল্ = মাইরেল্

(খ) ক্ + ও + ক্ + ত + আ + ঙ + ব্ + আ = কোক্তাঙবা

(গ) ক্ + অ + ক্ + চ + ঈ + ং = কক্চীং [প্রো:' ৫৯-৬০]

(ঘ) ক্ + অ + র্ + ই + গ + উ + ম্ + ব্ + আ = করিগুম্বা

[বৃঃ '৫৮-৫৯]

২৫। (২) স্বর ময়েক্ অনী থংননা লৈরম্লবদী অহান্বা অতুনা চৈতপ্ ওল্লগা অকোন্বা অতুনা হাম্লগী মওংহ্ ইকায় কায়দনা হায়বদী চৈতপ্ ওন্দনা অতুম্ থম্গনি। মতুগী খুদম্ খরা মথাদা উৎলি :-

(ক) ক্ + ও + ই + র্ + এ + ং + গ্ + ঐ = কোইরেংগৈ।

(খ) ল + আ + ই = লাই

(গ) প্ + আ + উ + থ্ + উ + ম্ = পাউথুম্। [বৃঃ '৫৭-৫৮]

২৬। (৩) ব্যঞ্জন্ ময়েক্ অাক্তা থংননা লৈরম্লবদী তপ্লবা ময়েক্ শেম্বা য়ারবদী তপ্শন্নগনি। মতুদী :—

(ক) ত্ + আ + ল্ + ল্ + ও + ই = তাল্লোই = তাল্লোই।

(খ) প্ + ও + ম্ + ল্ + ই + ব্ + আ = পোম্লিবা = পোম্লিবা।

(গ) ক্ + অ + স্ + ত্ + উ + র্ + ঈ = কসতুরী = কস্তুরী।

[প্রোঃ '৫৭-৫৮]

চাংয়েং ৱাহং পরেং ৭

ৱাহৈ শাজল্লু :—

(ক) থ্ + আ + গ্ + ও + ই। [প্রোঃ '৫৯-৬০]

(খ) জ্ + অ + ম্ + এ + র্ + উ + দ্ + দ + ঈ + ন্।

[বৃঃ '৫৯-৬০]

(গ) গ্ + আ + ন্ + ধ্ + ঈ + জ্ + ঈ। [বৃঃ '৫৯-৬০]

(ঘ) শ্ + অ + ত্ + র্ + উ + ঘ্ + ন্ + অ। [বৃঃ '৫৯-৬০]

(ঙ) ক্ + আ + শ্ + ম্ + ঈ + র্ + অ। [বৃঃ '৫৯-৬০]

(চ) ল্ + আ + ই + র্ + এ + ম্ + ব্ + ঈ + গ্ + উ + ম্ + ম্ + ঈ।

(ছ) ল্ + ঔ + ব্ + উ + ক্। [প্রোঃ '৫৯-৬০]

(জ) র্+আ+ম্+আ+ন্+দ্+ই [বৃঃ অমস্তুং প্রোঃ'৫৮-৫৯]
(ঝ) ম্+অ+ং+গ্+র্+আ। [প্রোঃ '৫৯-৬০]
(ঞ) ভ্+আ+র্+অ+ত্+অ। [প্রোঃ ১৯৬১-৬২]
(ট) চ্+আ+থ্+ও+ক্। (প্রোঃ ১৯৬১-৬২)

মাপল্ শুবা পান্না
পার্টস্ ওফ স্পীচ্ (পদ বিভাগ)

২৭। (১) তোম্বা চাক্ য়াম্না চায়। (২) হিঃ! থোইবা য়াম্না কন্না নারেনা!!

মথক্কী থূদম্ অনী অসিদগী ঐথোয়না উরে মতুদী রাঙাঙ্ খূদিংমক্ অসে মুন্না য়েংউরবদী তোঙান্ তোঙান্বা মওংগী র'হৈ রাতানা পিক্ থন্না য়াওরি। হৌজিক্ মথক্কী রাহৈ পরেং অনী অসোগী মন্নুংদা ময়েক্ চাওনা ইরিবা রাহৈ মরিসী করম্ করম্বা মথল্গী রাহৈনো হায়য়ু।

অহান্বগী অসীদা 'তোম্বা' হায়বা অসী কনাগুম্বা মী অমগী মমিংনি। 'চায়' হায়বা অসীনা করিগুম্বা অচাপোৎ অমা য়ানা শায়তুনা চাবগী অর্থ অমা ফোংদোক্ই। 'য়াম্না' হায়বা রাহৈ অসীনা তোম্বনা চাক্ কয়া য়াম্না চাবগে হায়বগী চাং অমা খঙ্হল্লে। অতুগা অমুক্ অনীশুবগী রাহৈ পরেং অসিদা 'হিঃ' হায়বা রাহৈ অসীনা পূক্নীংদা নুংঙাইতবা অমদী থুক্ লাউবগী কীভম্ অমা ফোংদোক্লে।

মরম্ অদুনা হৌজিক্কী ঐখোয়না উরে মতমদা রাওাও অমদা রাওরিবা রাহৈশিং অসে মখল্ মখা য়াম্‌ই। অসীগুম্বা খেন্নবা মওংগী রাহৈশিংসী য়েংদুনা ব্যাকরণ হায়বা লাইরিক্ অসীনা রাহৈশিংবু মখল্ নিপাল্ থোক্না খায়দোক্কনা থম্লে।


ব্যাকরণগী মতুংইন্না লোল্ অমগী মনুংদা লৈরিবা রাহৈশিংসী মখল নিপাল থোক্না খায়দোক্লে ; মখোয়গী অপূনবা মমিংবু পার্টস্ ওফ্ স্পীচ্ (রাহৈগী শরুক্) কৌই।

মখোয় নিপাল্ অদুদী :—(১) নাউন্ (সংজ্ঞা); (২) প্রোনাউন্ (সর্বনাম); (৩) এডজেক্টিভ্ (বিশেষণ); (৪) ভর্ব (ক্রিয়া); (৫) এডভর্ব (ক্রিয়া বিশেষণ) ; (৬) পোষ্ট পোজিসন্ (সম্বন্ধ বোধক্); (৭) কোঞ্জংসন্ (সমুচ্চয় বোধক্) অমসুং (৮) ইণ্টর্জেক্সন্ (বিষ্ময়াদি বোধক্) অসীনি।

২৮। (১) নাউন্ (সংজ্ঞা):—


শন্‌বী


অঙাং


মার্ব্বল

মথক্তা পীরিবা রাহৈ অদুম্ অসী য়েংসি। শন্‌বী, অঙাং, হায়বা রাহৈ অনী অসী মথরায় পান্‌বা জীবগী মিং ওাক্তনি। অদুগা মার্ব্বল হায়বা অসীনা মথম্রায় পান্নবা শান্নপোৎ অমগী মমিংনি। মরম্ অদুনা অসীগুম্বা :—

মী, শা নত্রগা পোৎকী মিং খঙনরিবা রাহৈ পুম্নমক্ অদুবু নাউন্ (সংজ্ঞা) কৌই। নাউন্গী খুদম্ খরা :- ক্বাক্, লৈপাক্, ঙাঙ্গু, চাউবী, য়াইঙং অসীনচিংবা।

২৯। **প্রোনাউন্ :**—মহু হূই অমনি। নঙ কৈথেল্দা চৎলু। মথক্কী অহানবা রাহৈ পরেং অসাগী মফুংদা 'মহু' হায়বা রাহৈ অসীনা হূই হায়বা নাউন অসীগী মহূৎ শিন্দুনা লৈরে। 'মহু' হায়বা রাহৈ অসী মিং অমা নত্তে, হূই হায়বগী মহূত্তা 'মহু' হায়বনি। মতৌ অসুম্না 'নঙ' হায়বা রাহৈ অসিসু কনাগুম্বা তোম্বা চাউবা কৌবা মী অমদা হায়বনি। মসি মিং খঙনবা রাহৈ অমা নত্তে। কনাগুম্বা মী অমবু নঙ হায়না হেক্তা কৌবা য়াই। মরম্ অসিদগী :-

নাউন্গী মহূত্তা শীজিন্নরিবা রাহৈ অদুবু প্রোনাউন (সর্বনাম) কৌই। প্রোনাউনগী খুদম্ খরা :—ঐ, ঐখোয়, মসী, ময়াম্ অসীনচিংবা।

৩০। (৩) এডজেক্টিভ (বিশেষণ) :—





(ক) হূই অচৌবা অমা চৎলি। (খ) য়েনবী অনোয়বা অমা চৎলি।

মথক্কী খুদম্ অনী অসিদা মরক্তা অচৌবা ময়েক্ য়াওরিবা রাহৈ অনী অসী করম্বা মওংগী রাহৈনো য়েংসি। অহানবা অসিদা

'অচৌবা' হায়বা রাহৈ অসীনা 'হূই' হায়বা নাউন্‌ অসীবু করম্বা মখল্‌গী হূইনো হায়বা মশক্‌ তাক্‌লি। মতুদী হূই অদু অচৌবনি হায়না খঙ্‌হল্লি। অমুক্‌ অনীশুবগী অসিদনা 'অনোয়বা' হায়বা রাহৈ অসীনা 'য়েন্‌বী' হায়বা নাউন্‌ অসীবু করম্বা য়েন্‌বীনো হায়বদী অনোয়বনি হায়বা মশক্‌ তাক্লি। হৌজিক্‌ 'অচৌবা' অমসুং 'অনোয়বা' হায়বা রাহৈ অনী অসীনা মথংশীংনা 'হূই' অমসুং য়েন্‌বী হায়বা নাউন্‌ অনী অসীবু মওং মতৌ অমদী মতৌক্‌ মগুণ তাক্লবনি। মরম্‌ অসিদগী :—

নাউন্‌ অমগী মওং-মতৌ অমসুং মগুণ তাক্লিবা রাহৈ অদুবু এড্‌জেক্টিভ্‌ (বিশেষণ) কৌই। খুদম্‌ খরা :—

মহাক্‌ অশংবা হৈনৌ চাদে। অঙাওবা মী অদু ঐগী খুন্নানি। খম্বাল্‌ অঙাঙ্‌বা অমা হেল্লকুই। (হৌজিক্‌ মরক্তা ময়েক্‌ অচৌবা য়াওরিবা রাহৈ অদুম্‌ অসী এড্‌জেক্টিভ্‌ ঙাক্তনি।

৩১। (৪) ভর্ব (ক্রিয়া):-মহাক্‌ ঈরোইরি। কুইনা ফম্বা ফত্তে।

রাহৈ পরেং অনী অসিদা ময়েক্‌ অচৌবা য়াওরিবা রাহৈ অনী অসী য়েংলসী। অহান্‌বগী অসিদা "ঈরোইরি" হায়বা রাহৈ অসীনা করি খঙ্‌হন্‌বগে হায়রবদী ঈশিংদা খুদ হোত্তুনা তাউদুনা চৎপগী থবক্‌ অমা তৌরি হায়বা খঙনগনি। অদুগা অনীশুবগী অসিদনা "ফম্বা" হায়বা রাহৈ অসীনা করি অর্থ তাক্‌পগে হায়রবদী করিগুম্বা ফিদা অমদা নত্রগা ফম্‌ফম্‌ অমদা নীংথেংননা লৈবগী থবক্‌ অমা খঙ্‌হল্লি। মতৌ অদুম্না :—

করিগুম্বা অমা তৌবা, ওইবা নত্রগা লৈবগী ফীবম্ খঙ্ন-রিবা রাহৈ অদুবু ভর্ব [ক্রিয়া] কৌই।

খুদম্ খরদী:—চাবা, ফুনবা, য়ান্বা, পাইরা, লৈবা, ঙাবা অসীনচিংবা।

৩২। (৫) এডভর্ব (ক্রিয়া বিশেষণ):—

মহাক্ য়াম্না কন্না চেল্লি। মসী থোইদোক্না ফজবা থম্বালনি। মথক্কী রাহৈ পরেং অনী অসিদা মরক্কী ময়েক্ অচৌবা রাহৈ ফুম্ অসীগী মরম্দা অমুক্ থন্নসি। অহান্বগীদা 'কন্না' হায়বা রাহৈ অসীনা চেল্লি হায়বা ভর্ব অসীবু কয়ামুক্ কন্না চেন্বগে হায়বগী চাং অদু তাক্লে। হৌজিক্ 'কন্না' হায়বা ভর্বপু মওং মতৌ তাক্পা রাহৈ অসী "এডভর্ব" হায়বদুনি। অদুদগী অমুক্ 'য়াম্না' হায়বা রাহৈ অসীনা 'কন্না' হায়বা এডভর্ব অসীবু কয়ামুক্ কন্বনো হায়বগী চাং অমা তাক্লে। অদুগা অনীশুবগী অসীদনা 'থোইদোক্না' হায়বা রাহৈ অসীনা 'ফজবা' হায়বা এড্জেক্টিভ্ অসীবু কয়ামুক্ য়াম্না ফজবা থম্বাল্নো হায়বা অর্থ অমগা লোয়নননা ফজবগী চাংদু তাক্লে। অস্নুম্ তৌদুনা:—

ভর্ব, এড্জেক্টিভ্ অমস্নুং অতোপ্পা এড্ভর্ব অমগী মওং-মতৌ তাক্নুনা অর্থ চাউথোক্হল্লিবা রাহৈ অদুবু এড্ভর্ব (ক্রিয়া বিশেষণ) কৌই।

খুদম্ খরা:—য়াম্না ফবা মী। ঙম্না তুম্বা। থোইনা হেন্না ফজবা লৈ। (হৌজিক্ মরক্তগী ময়েক্ অচৌবা রাহৈ মরি অসী এড্ভর্ব ঙাক্কনি।)

৩৩। (৬) পোষ্ট পোজিসন্ (সম্বন্ধ বোধক):—
ঐনা থোং মথক্তা চৎলম্ই।

মথক্তী রাহৈ পরেং অসিদা ময়েক অচৌবা রাহৈ অসি করম্বা মথল্গী রাহৈনো? 'মথক্তা' হায়বা রাহৈ অসীনা 'থোং' হায়বা নাউন্ অসীগা 'চৎলম্ই' হায়বা ভর্ব অসীগা মরী অমা লৈনহল্লি। হায়বদী ঐনা করম্বা মওংদা থোংদুনা চৎলম্বগে হায়-রবদী 'মথক্তা' চৎলম্ই হায়বগী অর্থদু লৈ। মতৌ অসুম্না:—

নাউন্ নত্রগা প্রোনাউন্ অমগী মতুংদা লৈদুনা নাউন্ নত্রগা প্রোনাউন্ অদুগা মথাদা লৈবা রাহৈ অতোপ্পগা মরী লৈনহল্লিবা রাহৈ অদুবু পোষ্ট পোজিসন্ (সম্বন্ধ বোধক) কৌই। পোষ্ট পোজিসনগী খুদম্ কযামরুম্দী:—

মনাক্তা, মমুংদা, মপান্দা, মতাইদা, মকোক্তা অসীনচিংবা।

শ্বেংগদবা:-পোষ্ট পোজিসন্গী মমাঙ্দা মতম্ লৈবা খিবিক্ত' ফুম্দুনা নত্রগা ফোংনা নাউন্নত্রগা প্রোনাউন্ অমদী লৈগদবনি। অদুগা পোষ্ট পোজিসন্গী রাহৈ অয়াম্বা মমৈদা -দা নত্রগা -তা না লোইনা লোম্গনি। খুদম্:—(ঐখোয়) উ মথাদা তুমসী। (যক) মথক্তা নেৎকমু। অসীনচিংবা।

৩৪। (৭) কোঞ্জংসন্ (সমুচ্চয় বোধক):—

(ক) তোমমু অমসুং তোলেন্ লীলা য়াওই।

(খ) রাম্দী কৈ তৌইগুম্বসুং রাবণদী কত্তে।

অহানবা (ক) গী রাহৈ পরেং অসিদা 'অমসুং' হায়বা রাহৈ অসীনা তোমমুগা তোলেন্গা মুপা অনীগীবু তাইশম্নহন্দুনা পুল্লপ্পা

মখোয় অনীমক্ লীলা য়াওবা ম্নীনি হায়বা তাক্লে। অনীশুবা (খ) গী অসিদনা "তৌইগুম্বস্নুং" হায়বা রাহৈ অসীনা 'রামদী কৈ' 'রাবণদী ফত্তে' হায়বা রাহৈ পরেং অনীসীবু রাঙাং অমত্তগী মওংদা পুন্‌শন্‌হল্লে। মরম্ অসিদগী ঐখোয়না খঙ্লে :—

রাহৈ অমগা, রাহৈ অমগা নত্রগা রাহৈ পরেং অমগা, রাহৈ পরেং অমগা, তোথাই তানা লৈগদবদগী তাইশিন্নহল্লিবা রাহৈ অত্তুবু কোঞ্জংসন্ [সমুচ্চয় বোধক] কৌই। খুদম্ খরা :- ঐ অসাম নত্রগা বাঙ্গলাদা চৎকনি। মহাক্ য়াম্না ওক্তে অত্তুবু লাইরিক্তী য়াম্না কৈ। (হৌজিক্ মরক্তা ময়েক্ অচৌবা য়াওরিবা রাহৈ অনী অসী কোঞ্জংসন্‌নি।)

৩৫। (৮) **ইণ্টর্জেক্সন্** [বিস্ময়াদি বোধক] :- -

(ক) **ইঃ**! নহাক্ শিরেদনা! (খ) **হোঃ থোইবা**! ঙাইখো! **নুংঙাইরেদকো**! নঙ পরীক্ষা ঙম্লে!

হৌজিক্ নখোয়গী নমাঙদা তাহনা লৈরবা খুদম্ অহুম্ অসী মুন্না য়েংলো। (ক) গী রাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা 'ই' হায়বা রাহৈ অসীনা করম্বা ভাব অমা খঙ্‌হনবগে হায়রবদী পীরম্লিবা রাহৈ পরেং অসিগী মওং অসিদগী ঐখোয়না উরে মতুদী মসীনা কনাগুম্বা মী অমা শিবগী পূক্লিংদা নুংঙাইতবা, থুক্ লাউবা রাখল্ অমা ফোংদোক্লি। অনীশুবা (খ) গী অসিদনা কনাগুম্বা থোইবা কৌবা নুপা অমবু কৌরিবনি হায়বা অসে 'হোঃ, থোইবা' হায়বা রাহৈ অনী অসীনা তাক্লি। (গ) গী অসিদনা 'নুংঙাইরেদকো' হায়বা রাহৈ অসীনা কনাগুম্বা অমা পরীক্ষা ঙম্বত্নুদা পূক্লিংদা নুংঙাইবগী

ইথিন্ অমা হৌবগী ফীবম্ অমা খঙ্হল্লি। মরম অসিদগী ঐখোয়না উরে মতুদী অসীগুম্বা রাহৈ রাতাশিং অসী পূক্নীংদা খংপান্ পান্দুনা খূদক্ খূদক্তা খঙ্হৌদনা হায়দোক্পা নত্রগা লাউথোরক্পা রাহৈ ওাক্তনি। মরন্ অতুনা হৌজিক্কী ঐখোয়না হায়বা ওম্লে ঃ—

ইখঙ্ খঙ্হৌদনা পূক্নীংদা হেক্ পান্দুনা খূদক্তা ফোং-দোরক্পা রাহৈবু (রাওাংবু) ইণ্টর্জেক্সন্ (বিস্ময়াদি বোধক) কৌই। খূদম্ খরা অমুক্ পীরগে ঃ—হেঃ! নঙ্না হায়রিবতু লাল্লে। তুমিন্লৈয়ু! পাপী!! সাবাস! নঙ্না পাঙ্গন্ চল্লে। ওস্থোক্পনিদা! মহাক্ গাড়ীনা শোক্লে!! [হৌজিক্ মথক্তা ময়েক্ অচৌবা য়াওরিবা রাহৈশিংসী ইণ্টর্জেক্সন্ ওাক্তনি]

য়েংগদবা ঃ— ইণ্টর্জেক্সন্গী মতুংদা খূদম্ (!) অসী থম্গল্লি। অতুগা ময়েক্ অমদা চৈনপ্ অমতা তপ্তূনা ওইরবা অতুগুম্বা ইণ্টর্জেক্সন্গী মমৈতু বিসর্গ (ঃ) অসীনা লোম্গনি। হিঃ! হেঃ! ওঃ অসীনচিংবা।

চাংয়েং রাহং পরেং ৮

১। (ক) পার্টস্ ওফ্ স্পীচ্ (পদ বিভাগ) কদায়বু কৌবগে?

(খ) পার্টস্ ওফ্স্পীচ্ মথল্ কয়া শুবগে? মথল খূদিংমক্ খূদম্ অমমম্গা লোন্নগা ইরক্উ। [বূঃ'৫৮-৫৯ ; '৫৯-৬০]

২। (ক) নাউন্ [সংজ্ঞা] কদায়বু কৌবগে? খূদম্ মরীদং পীয়ু।

[প্রোঃ '৫৭-৫৮ ; ৫৮-৫৯ ; '৫৯-৬০]

(খ) প্রোনাউন্ [সর্ব নাম] কদায়বু কৌবগে? খূদম্ মঙাদং পীয়ু।

(গ) এড্জেক্টিভ্ (বিশেষণ) কদায়বু কৌবগে ? খূদম্ অনীদং পীয়ু।

(ঘ) ভর্ব (ক্রিয়া) কদায়বু কৌবগে ? খূদম্ মঙাদং পীরকউ।
[বৃঃ ' ৫৫ ৫৬ ; '৫৭-৫৮ প্রো: '৫৮-৫৯]

(ঙ) এড্ভর্ব (ক্রিয়া বিশেষণ) কদায়বু কৌবগে ? খূদম্ অনীদং পীরকউ। [বৃঃ'৫৫-৫৬ প্রোঃ'৫৭-৫৮]

(চ) ইণ্টর্জেক্সন্ (বিস্ময়াদি বোধক), পোষ্ট পোজিসম্ (সম্বন্ধ বোধক) অমসুং কোঞ্জে সন্(সমুচ্চয় বোধক)গী খূদম্ মরি মরি পীরকউ।

৩। মথাদা ময়েক্ অচৌবা য়াওরিবা ৱাহৈশিংসি করম্ কৃরম্বা পার্টস্ ওফ্ স্পীচ্নো হায়য়ু।

(ক) ঐগী অচৌবা ছুই অমা লৈ। (খ) নঙ্ হৈনৌ য়াম্না চাত্রা ? (গ) তোম্বনা নাপী মথক্তা থরো থরো ওল্লি। (ঘ) মরম্ ওকপা অঙাংনা অয়ুক ঙন্না হৌগৎতুনা মাগী তৌগদবা মথৌ তৌই, অহুগা পুক্নিং চঙ্না পারা পাই। [বৃঃ '৫৫-৫৬]

(ঙ) ঐথোয়গী ওজানা মরম্ ওক্পা অঙাংবু চাল্লি অমসুং য়াম্না নুংশি। [প্রোঃ '৫৭-৫৮] (চ) হায় ! মসে অঙাওবা ছুইনিনা। (ছ) ভালো ! গম্ভিনীগী বাসোক অসীদী নুংঙাইদা ! (জ) ভীমনা মহাক্কী অচৌবা গদানা দুর্যধনগী মখুউ থুগাইরম্মী।

৪। অচাবা ৱাহৈনা অহাঙবা মেনশল্লু :-

(ক) ৱামনা—হেক্পা চৎলি। —লৈ অহু য়াম্না কজে ! লৈ অহুদা খোইমু অমসু—। মানা—ফাগে তৌই। [বৃঃ '৫৮-৫৯]

(খ) ঐগী ৎকা—খূৎকা—মাম্নদে। মাগী ফুরিৎ অসীদী-

ঐখোয়গী—চফু লৈতে। মহাক লাইরিক্—পাই। ওঝাবু—তৌ—অফবা উহৈনি। [প্রো: '৫৮-৫৯]

তরাশুবা পারা

বাহৈগী অরূম্-অয়াং খরা

৩৬। বানান্‌গী য়ান্না কূপ্‌শনবা নিয়ম্‌দী অঙাংশিংদা লুনা থোক্কদবা মরম্না শম্লপ্না মণিপুরী লোন্‌গী অরূম্ অয়াংগী মওং অসী মখাদা উৎলে :—

(১) ই-দগী ঈ-না হেন্না লূমই। মরম অতুনা অরূম্বা বানান্দা 'ঈ' অতুগা অয়াংবনা 'ই' ইগনি।

অয়াংবা বাহৈ	অরূম্বা বাহৈ
ই—য়ূম্ কূপ্নবা নাপী অশ'ংবা	ঈ—হক্‌চাংগী চেল্লিবা ঈ
ইরোই—শা অমা	ঈচেন্—ঈশিং অচেন্‌বা
ইনাই—ঐগী মীনাই	ঈনাং—ঈশিংগী মনাং

(২) মরক্তা লৈবা মযেকী অরূম্ অয়াং খায়বা তারবদী অয়াংবদা 'ই' অতুগা অরূম্বদা 'য়' হাপ্‌চল্লি।

অয়াংবা বাহৈ	অরূম্বা বাহৈ
হাইবা—নোম্বা	হায়বা—রা ভাঙ্‌বা
পাইবা—উচেক্লচিংবনা পাইবা	পায়বা-খুৎনা লৌশিন্‌বা
লাইনা—ঈশ্বরনা	লায়না—লূদনা
পুই—পুতুনা চৎলি	পুয়—মীওোন্দগী শোৎলি

(৩) 'উ' না অয়াংবদা, অদুগা 'উ' নত্রগা 'ও' না অরূম্বদা শীজন্নগনি। মতুদী ঃ—

অয়াংবা রাহৈ	অরূম্বা রাহৈ
উইবা—তুম্নীংদুনা মীৎ উম্‌শিনবা	উইবা—কন্‌বা, তেকন্দবা
কাউবা—নীংশিংবা থোক্‌খিদবা	কাউবা নত্রগা কাওবা —খোঙপাক্লা থেংজন্‌বা

(৪) ি অমসুং ু না অয়াংবদা, অদুগা ী অমসুং ূ না অরূম্বদা শীজন্নৈ। মতুদী ঃ—

অয়াংবা রাহৈ	অরূম্বা রাহৈ
শিবা—থরায় লৈত্রবা	শীবা—হায়জন্‌বা, থবক্ পীবা
পিবা—শাগৈগী পুকোক্	পীবা—লাম্হোক্‌পা
মি—তীন্ অমা	মী—তাইবং মী
পুবা—থাংদুনা চৎপা	পূবা—শোৎপা, রায়বা
লুবা—থেন্দবা	লূবা—নান্‌বা
শুবা—তোইনবা থুগাইবা	শূবা—থবক্ নোম্বা, ফি শূবা

(৫)। ং - না অয়াংবদা, ঙ্ - না অরূম্বদা শীজন্নগনি। মতুদী ঃ-

অয়াংবা রাহৈ	অরূম্বা রাহৈ
লোংবা—উপ্‌তবা	লোঙ্‌বা—মশা ফন্‌বা
লোং-ঙা কোৎনবা পোলাং অমা	লোঙ্-ঙানচিংবা থিন্নবা থুংলাই
কাং—দোলাই অচিংবী অমা	কাঙ্—ঈ চুপ্পা তীন্ অমা
লাংবা—ভোঙান্‌বা মচুশিংনা চৎপা	লাঙ্‌বা—নিন্‌বা

(৬) া, ে, ৈ, ো অমসুং ৌ না তপ্পা ময়েক্কী মথাদা ই, উ, উ, য়, ং, ঙ নচিংবা হায়রিবা অরূম্ অয়াং খঙ্‌নবা ময়েকশিং

লাক্ত্রবদী অরূম্ অয়াং খায়বা য়াদে। মতম্ অহুদদী ঐখোয়না রাহৈ পরেংগী মতা চাবা য়েংহুনা নাতৈ চানা অরূম্ অয়াং খায়না পাগনি। মহুদী ঃ—

অয়াংবা রাহৈ	অরূম্বা রাহৈ
পাবা—লাইরিক্ পাবা	পাবা—কুঙ্‌দবা, লন্‌বা
লেম্বা—চীং-লেম্বা	লেম্বা—মচীৎ নাইবা, চীথবা
হৈবা—খঙ্‌বা, ভাব তাবা	হৈবা—মখাদা থাদবা
লৈবা—ওইরিবা	লৈবা—মম্‌ল্ পীহুনা লোবা
পোম্বা—হকচাংগী অপোম্বা	পোম্বা—শাৎতবা
কৌবা—লাউ হায়বা	কৌবা—চোন্দবা, রাৎপা
লোবা—মৈদা মুম্নবা য়াইবা	লোবা—পায়শন্‌বা

চাংয়েং রাহং পরেং ৯

১। মখাগী রাহৈশিংসীগী অর্থ হায়য়ু ঃ—

ই, ঈ, কাইবা, কায়বা, রায়বা, রাইবা, লাওবা, লাউবা, লাউবা, চুবা, থাবা, চুবা, কাঙ্‌বা, কাংবা।

২। মখাগী রাহৈশিংসী য়াওবা অরূম্বা অমসুং অয়াংবা অনীমক্তা রাহৈ পরেং অনী অনা শেম্‌উ ঃ—

লোবা, পৈবা, চাবা, কৈ, লাবা, লেম্বা, পোম্বা, থোবা।

৩। মীতৈলোন্দা ময়েক্ চপ্ মান্নবা, হায়দোক্‌পা খোন্‌গী অরূম্-অয়াংগী মতুংইন্না অর্থদা খেন্নবা রাহৈ মঙাদং অর্থগা লোয়ননা ইয়ু [বৃঃ '৫৭-৫৮]

৪। মখাদা ইরিবা রাহৈশিং অসীগী অরূম্বা নত্রগা অয়াংবা রাহৈ অর্থগা লোয়ননা তোপ্পা তোপ্পা ইয়ু ঃ—

(ক) শিংবা, মরূ, লুনা, অথুম্বা, চুম্বা, লুবা, তাবা, মী, শীংবা, তুবা, অরেম্বা। [বৃঃ অমস্মুং প্রোঃ '৫৭-৫৮]

(খ) পায়বা, পাইবা, হাঙবা, হাংবা, শীং, শিং[প্রোঃ'৬১-৬২

৫। মখাদা ইরিবা অসিদা অরান্‌বা চুম্‌থোকউ :—

ঐনা তোম্ববু ফুই। নঙ্‌ চু চাউ। উচেক্‌ অমা অতিয়াদা পায়রি। চাউবা মমগী মচানি। অঙাংশিংনা লাংই। মানা ঐবু খোংপাক্লা কাউই। পৃথিবী অদুগী ঈশিং অদু য়াম্না লুই (থেন্দে)।

লোইরবা